# বেঙ্গলুরু এফ সীনা ওরিষা এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎখ্রে

18 Dec, Friday (32nd Match)
NorthEast United FC
vs
Jamshedpur FC
Time : 7:30 PM


বেঙ্গলুরু এফ সীগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ওরিষা এফ সীগী মায়কৈদা বোল কাওশিনখিবা

বঙ্গোলিম, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
বেঙ্গলুরু এফ সীনা ওরিষা এফ সীবু ঙসি গোৱাগী বঙ্গোলিম সিটিদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসনগী ৩১শুবা মেটচতা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, মমাংদা বেঙ্গলুরু এফ সী মেটচ ৫ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাক্লগা অতোপ্পা মেটচ ৩না দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ওরিষা এফ সীনা মেটচ ৫ শান্নবদা শুপ্লগী মেটচ অমখক দ্রো চৎলগা অতোপ্পা মেটচ ৪ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট অমখক ফংলগা টিম ১১না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা ওরিষা এফ সীগী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ওইনা মায় পাক্কনবা অচেৎপা থাজবগা লোয়ননা শান্নবা হৌরকখি। অমরোমদা, বেঙ্গলুরু এফ সীনা মখোয়না ফংখিবা পোইন্ট অদু হেনগৎতুনা টেবলগী মকোকথংবগী লম্বেলদা চঙশিন্নবগী ৱাখল্লোনদা শান্নখি।

মেটচকী অহৌবা পুংখায় অমগী মতম অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নখিবা মরম্না পাঞ্জল চনবা ঙম্লখিদে। শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী হর্মনজোট খাব্রানা ওরিষা এফ সীগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা থাদরকপা বোল অমা সুনিল ছেত্রিনা হেদ তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওইহনখি। সুনিল ছেত্রিগী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা পুংখায় অমরোম ফাজিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবা অদু মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা ওরিষা এফ সীগী কেপ্টেন ষ্টিভেন টেলরনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। মখা তারকপা মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী ক্লেটোন সিলভানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ওরিষা এফ সীবু মখোয়না পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা হাইগৎখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 6 | 4 | 1 | 1 | 9 | 3 | 6 | 13 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 6 | 4 | 1 | 1 | 7 | 3 | 4 | 13 |
| 3 | Bengaluru FC | 6 | 3 | 3 | 0 | 11 | 7 | 4 | 12 |
| 4 | Northeast United FC | 6 | 2 | 4 | 0 | 8 | 5 | 3 | 10 |
| 5 | Hyderabad FC | 5 | 2 | 3 | 0 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 6 | FC Goa | 6 | 2 | 2 | 2 | 7 | 6 | 1 | 8 |
| 7 | Jamshedpur | 6 | 1 | 4 | 1 | 7 | 7 | 0 | 7 |
| 8 | Chennaiyin FC | 5 | 1 | 2 | 2 | 3 | 4 | -1 | 5 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 5 | 0 | 2 | 3 | 5 | 10 | -5 | 2 |
| 10 | Odisha FC | 6 | 0 | 1 | 5 | 3 | 9 | -6 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 5 | 0 | 1 | 4 | 2 | 10 | -8 | 1 |

# ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ওফিসল ওইনা যোগাসনাবু কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইনা রিকগ্নাইজ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ওফিসল ওইনা যোগাসনাবু কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইনা রিকগ্নাইজ তৌখ্রে। খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়াগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা কাঙলোন অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মখা তানা চাউখৎনবগীদমক্তা শেলগী মতেং কয়াসু ফংলগনি।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু অমদি মিনিষ্টর ওফ অয়ুশ (অয়ুর্ভেদা যোগা অমসুং নেচরোপেঠি উনানি সিদ্দা হোমিওপেঠি) শ্রীপদ অসোনাইকনা যোগাসনা অসিবু ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রোমোট তৌবগা লোয়ননা কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইরে হায়না লাউথোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী যোগাসনাবু কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইনা লাউথোরকপা অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হকচাংগী অমদি ৱাখলগী পাঙ্গল হেন্না লৈহন্নবগীদমক কান্নবা পীবগী এৱেয়রনেস অদুসু ফংননবা লৌখৎলকখিবনি। স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোরকখিবদা, মমাংদা যোগাসনা অসি মতম কুইনদগী কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইনা লাকখিবনি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রিকগ্নাইজ তৌবা ঙমখিদবনা কান্নরবা যোগাসনা অসি মফম খুদিংমক্তা শান্নবগী য়ৌহনবা ৱাৎখি। মশান্না অসি লৈঙাক্না ওফিসল ওইনা রিকগ্নাইজ তৌদুনা কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইনা লাউথোরকপা অসি তুংদা কান্নবা কয়া অমা ফংলগনি।

রিজিজুনা মখা তারদুনা ঙসি যোগাসনাবু ইন্দিয়াদা কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইনা মশক খঙবা অসিনা মশান্না অসিগী ওইনা য়াম্না চাউনা কান্নবা অমদি ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অচৌবা ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগদবা স্পোর্টসকী পুৱারী অমা ওইরি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা চহীগী নভেম্বর থাদা ইন্টরনেসনল যোগাসনা স্পোর্টস ফেদরেসন অমা যোগগী লমতাকপা বাবা রামদেবনা প্রসিদেন্ট ওইরগা অমদি নাগেন্দ্রনা সেক্রেটরি জেনরেলগী ফম পুহন্দুনা হৌদোকখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা নেসনল যোগাসনা স্পোর্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া হায়না হৌদোক্তুনা যোগা মশান্না অসি কন্ননবা অমদি চাউখৎনবগী খোঙথাংদা কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইনা শেমখিবনি। যোগাসনা মশান্না অসি হৌখিবা থাদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগী মনুংচন্না মশক খঙখি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওফিসল ওইনা মশান্না অসি ঙসি রিকগ্নাইজ তৌখিবনি।

রিজিজুনা মখা তারদুনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী নেসনল যোগাসনা স্পোর্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা মতীক চাবা শেলগী মতেং পীদুনা ফেদরেসন অসিনা তুংদা লাক্কদবা চহীশিং অসিদা মশান্না অসিবু হেন্না চাউখৎননবগী খোঙথাং লৌখৎননবা মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কম্পিটিসনগী ওইনা যোগাসনাগী ওইবা ইভেন্ট মরিদা কেটগোরি ৭ খায়দোক্তুনা মেদল ৫১ লৈননবা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা শিল্লি। হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিগী মনুংদা ট্রেদিসনেল যোগাসনা, আর্টিষ্টিক যোগাসনা (সিঙ্গল অমসুং প্যের), রিদমিক যোগাসনা (প্যের, ফ্রী ফ্লো/ গ্রুপ যোগাসনা), ইন্দিভিজ্যুএল ওল রাউন্দ চেম্পিয়নশিপ অমদি টিম চেম্পিয়নশিপনি।

নেসনল যোগাসনা স্পোর্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা নেসনল ইন্দিভিজ্যুএল যোগাসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্তুনা অহানবা ওইনা মীয়ামদা খঙহনগদৌরি। মদুগী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট, ষ্টেট, নেসনল অমদি মালেমগী থাক্তা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি।


কম্পিটিটিভ স্পোর্টস ওইনা মিনিষ্ট্রিনা রিকগ্নাইজ তৌখ্রবা যোগাসনা

# লিল্‌না দিজোন থোইদুনা মখা তানা লীগ ৱানগী পোইন্ট টেবল মাঙজিল থারি

LIGUE 1

পেরিস, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লীগ ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা ১৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লিল্‌না দিজেনবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখা তানা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙম্লি।

দিজোননা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা লিল্‌গী মায়কৈদগী মেমেট জেকি সেলিকনা পীরকপা বোল অমদা য়ুসুক য়াজিকিনা শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মেটচকী অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনদনা লাকখি। শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমদা লিল্‌গী মায়কৈদগী টিমোথি ৱেয়ানা লিল্‌গী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাক্তুনা মেটচ ১৫দা পোইন্ট ৩২ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেননা লোরিয়ন্টপু পাঞ্জল ২-০দা থোইরগা পোইন্ট ৩১ ফংবগা লোয়নন পোইন্ট টেবলগী ২শুবা লৈরি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা পি এস জিগী মায়কৈদগী মাপে অমসুং মোইসে কিননা পাঞ্জল ২ চল্লগা থোইখি।

# ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা পীখিবা রসিয়াগী অথিংবগী চৈরাক সী এ এসনা চহী ২ হন্থহনখ্রে

মোস্কো, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
রসিয়াগী স্পোর্টস ফেদরেসন কয়ানা মখোয়গী শান্নরোয়শিংবু অহেনবা থাক্তা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমহন্নবগীদমক ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলনা থিংখ্রবা পোৎয়ান শীজিন্নে হায়বগী ৱাফমদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা লৈবাক অদুগী শান্নরোয় পূম্নমক য়াওনা ফেদরেসন অদুবুসু অথিংবা থম্লকখিবা অদু স্বিটজরলেন্দা বেজ তৌবা মালেমগী শান্নবগী চয়েৎনবশিংগী ৱায়েল পীননবা লৈরিবা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সী এ এস)না চহী ২ হন্থবগী ৱারেপ পীখ্রে।

রসিয়াগী স্পোর্টস ফেদরেসন অমত্তনা মালেমগী ওইবা ইভেন্টশিংদা শান্নরোয় শরুক য়াহনবা য়ারোই হায়না চহী ৪গী অথিংবা থম্লকখিবা অদু স্বিটজরলেন্দগী লোজেনদা লৈবা সী এ এসনা অথিংবা অদু চহী ২ হন্থহনখিবনি।

মরক অসিদা, রসিয়াগী এথলিটশিংনা মখোয়গী লৈবাক্কী ফিরালগী মখাদা মালেমগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবদি য়াররোই। অদুবু মখোয়না কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অমদি কুমজা ২০২২দা কটারনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপতা রসিয়াগী ফিরাল য়াওদনা শরুক য়াহনবগী খুদোংচাবা অমদি পীরি।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী মায়কৈদগী মমাংদা পীখিবা ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না শান্নবগী ইভেন্ট পূম্নমক্তা রসিয়াগী লৈঙাক্কী ওফিসলশিং নৎত্রগা মীহুৎশিং অমত্তা ওলিম্পিক্স নৎত্রগা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা মখা তানা চহী ২ শরুক য়াবা য়াহল্লোইদৌরি। লোয়ননা রসিয়াগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী লৈরিবা কাঙলোনগী মতুংইন্না মালেমগী থাক্তা লৈবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী বোর্দ মেম্বর নৎত্রগা কম্মিটিগী মেম্বর ওইবগী থবক থৌরমশিংদসু শরুক য়াবা য়ারোইদৌরি।



# বোক্সিং ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেদল ৪ শোয়দ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
জর্মনিদা পাঙথোক্কদবা বোক্সিং ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেদল ৪ শোয়দনা ফংলগনি। ঙসি জর্মনিগী কেলোনদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড কপকী ফিক্সর লাউথোরকপদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মরি মখোয়-মখোয়গী ৱেথ কেটগোরিদা সেমীফাইনেলগী থাক্তা য়ৌরকপা মরম্না মেদল মরি অসি ফংগদৌরিবনি।

ঙসি অথেংবদগী হৌগদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর মমাংদা এসিয়ন গেমস চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অমদি ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল ফংখ্রবা কেজি ৫২গী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা অমিট পনঘল, নুপীগীদা কেজি ৭৫গীদা শরুক য়ারিবী পুজা রানী, কেজি ৫৭কীদা শরুক য়ারিবা মনিসা অমসুং কেজি ৬০গীদা শরুক য়ারিবী সিমরনজিৎ কোরনা মখোয়গী কেটগোরিশিং অদুগী দ্রো লাউথোরকপদা বোক্সর মশীং য়াম্না লাক্তবা মরম্না সেমীফাইনেলগী থাক্তা পীরকপদগী বোক্সর মরি অসিনা বাউট অমা ফাওবা থিন্নদ্রিঙৈ মাংওইননা ব্রোঞ্জ মেদলদি শোয়দনা ফংলগনি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিম অসিগী সপোর্ট ষ্টাফ অমা ওইরিবা রোহিট কশ্যপ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখি। মহাক পোজিটিভ ওইরকপদগী জর্মনিগী কোলোনদা পাঙথোক্লিবা বোক্সিং ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পূম্নমক নেগেটিভ ওইরকখিবনি। বোক্সরশিং অসি অমুক্কা হন্না মখোয়-মখোয়গী কেটগোরিগী বাউট য়ৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা টেষ্ট তৌবদসু নেগেটিভ ওইরকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর ৪ অমসুং নুপী বোক্সর ৫ শরুক য়ারি। বেলজিয়ম, ক্রোএসিয়া, দেনমার্ক, ফ্রান্স, মোলদোভা, নেদরলেন্দস, পোলেন্দ অমসুং য়ুক্রেন য়াওনা য়ূম্বু জর্মনি শরুক য়ারি।

# মঙাশুবা ভিলেজ বোলিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচএনএস):
রুরেল সোসিও-ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন বেঙ্গুন নর্গাম ময়াং ইম্ফালনা শীন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী ২১দগী ২৭ ফাওবা মঙাশুবা এন্যুএল ভিলেজ ওপন বোলিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসি ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনগী ইরোই সলাম পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব/এসোসিএসনশিংনা মখোয়গী মরী লৈনবা চে-চাংগা লোয়নননা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মমাংদা এদমিসন ফী লুপা ৫০০গা লোয়ননা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা টিম অদুদা শেলগী মনা ১৫,০০০ ফংগদৌরি। রন্নর্স অপনা ১০,০০০ অদুগা বেষ্ট প্লেয়র অমদি বেষ্ট সেট্টরগী ওইনা লুপা ৫০০/৫০০গী মনাসু থল্লি হায়রি।

# লিভরপুলনা টোটেনহাম হোটস্পর মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবল লুচিংখ্রে

PREMIER LEAGUE

লন্দন, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
কুমজা ২০১৯-২০গী ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা লিভরপুল ফুটবোল ক্লবনা ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরবু মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

ঙসি লিভরপুলনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ এনফিল্ড ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর মহমদ সালানা ২৬শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা টোটেনহাম হোটস্পরবু মাঙজিল থাখি।

পনবা য়াবদি, মমাংগী রাউন্দদা লিভরপুল মেটচ ৭ মায় পাক্লগা পোইন্ট ২৫ ফংদুনা অনীশুবা থাক্তা লৈরম্বনি। অদুগা টোটেনহাম হোটস্পরনা মেটচ ৭ মায় পাক্লগা চপ মান্নবা পোইন্ট ফংলগা গোল দিফরেন্সতা টেবলগী মকোক ওইরম্বনি।

মহমদ সালাগী পাঞ্জল অদুগী মতুং টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা জিওভানি সেলসোনা পীরকপা বোলদা হিয়ুং মিন সোননা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক মখা তাবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। অদুবু লিভরপুলগী মায়কৈদগী মেটচকী ৯০শুবা মিনটতা এন্দ্রু রোবর্টসননা পীরকপা বোলদা রোবর্টো ফর্মিনোনা পাঞ্জল চন্দুনা মায় পাকখিবদগী পোইন্ট ২৮ ফংলগা লীগ অসিগী মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা খৃষ্টল পেলেস অমসুং ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদ ১-১দা দ্রো চৎখি। লোয়নননা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা লেষ্টর সিটি এবর্টননা থোইখি।

# বেয়র লেবরকুসেন মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকতগী হেল্লি

BUNDESLIGA

বর্লিন, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
বেয়র লেবরকুসেননা ১.এফ সী কোনবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী রাউন্দ ১২ লোইশিল্লকপদা মমাঙগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকতগী পোইন্ট অমা হেল্লগা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

বেয়র লেবরকুসেননা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা ১.এফ সী কোনবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখিবনি। অমরোমদা, য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটলসু লৌবা ঙম্লিবা অদুগা বুন্দেসলিগাগী হৌখিবা সিজনগীসু চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা ৱোল্ফসবর্গপু ২-১দা থোইখি।

বেয়র লেবরকুসেন অমদি ১.এফ সী কোনগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। ৮শুবা মিনটতা মিটচেল ৱৈজর অমসুং ১০শুবা মিনটতা মোসা দিয়াবিনা চনখি।

অনীশুবা হাফতা ১.এফ সী কোনগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইবা য়াবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈরিঙৈদা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা লেবরকুসেনগী পেট্রিকনা ৩শুবা পাঞ্জল হাপচিনখি। লোয়ননা মিনট ৫গী মনুংদা ফ্লোরিয়ান ৱর্টজনা বেয়র লেবরকুসেনগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখিবদগী মেটচ ১২দা পোইন্ট ২৮ ফংলগা মাঙজিল থারিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা ৱোল্ফসবর্গকা শান্নবা মেটচতা পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। শান্নবগী অহানবা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা ৱোল্ফসবর্গকী মেক্সিমিলিয়ান ফিলিপনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু ম্যুনিককী রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ১ অদুগা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-১দা থোইখি।

# বর্সেলোনানা রিয়াল সোসাইদেদ মায়থীবা পীদুনা ৫শুবদা লৈখ্রে

LaLiga

মাদ্রিদ, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
মালেমগী ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা বর্সেলোনানা স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী মেটচ অমদা রিয়াল সোসাইদেদপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মঙাশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

বর্সেলোনাগী ওইনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদু ১২শুবা রাউন্দনি। অদুগা রিয়াল সোসাইদেদকী ওইনা ১৪শুবা মেটচনি। য়ূম্বু ওইখিবা বর্সেলোনাগী মায়োক্তা রিয়াল সোসাইদেদকী ৱিলিয়ন জোসেনা অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা চনখি। পাঞ্জল অদু কৃষ্টিয়ন পোর্টুনা পীরকপা বোল অমদা চনখিবনি।

পাঞ্জল শোৎখরবা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমখি। শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা টিম অদুগী জোর্দি অলবানা চনখিবনি। অহানবা হাফ অদুগী লোইরমদায় মিনট ২ ৱাৎলিঙৈদা মখা তানা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী ফ্রেঙ্কি দি জোংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা রিয়াল সোসাইদেদপু হাফ অদু লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদা মখা তাবা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু বর্সেলোনানা রিয়াল সোসাইদেদপু ২-১দা থোইরগা টিম অদুগী অপূনবা মেটচ ১২দা পোইন্ট ২০ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসনদা হাইগৎখি। রিয়াল সোসাইদেদ মেটচ ১৪ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৬ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অমরোমদা, এটলেটিকো মাদ্রিদ মেটচ ১১দা পোইন্ট ২৬ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

# জেনৱাগা দ্রো চৎলবসু এ সী মিলাননা লীগকী মাঙজিল থারি

SERIE A

রোম, দিসেম্বর ১৭(এজেন্সী):
ইটালিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট সেরি এগী রাউন্দ ১১ লোইশিল্লকপা ফাওবদা মাঙজিল থাদুনা লৈরকখিবা এ সী মিলাননা জেনৱাগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১২শুবা রাউন্দদা দ্রো চৎলবসু পোইন্ট টেবলগী মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

রোমগী লুইগি ফেরারিজ ষ্টেদিয়মদা এ সী মিলান অমসুং জেনৱানা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং লেং মান্নবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২ চঙশিল্লকপদা জেনৱাগী মায়কৈদগী মাটিয়া দেষ্ট্রোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। এ সী মিলানগী মায়কৈদগী মিনট ৫গী মনুংদা দাবিদ কালাব্রিয়ানা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা ১-১দা মান্নদুনা লৈখি। শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা জেনৱাগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মাটিয়া দেষ্ট্রোনা টিমমেট পাওলোনা পীরকপা বোল অমদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এ সী মিলানবু ২-১দা হেন্দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ৮৩শুবা মিনটতা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী এলেসিওনা পীরকপা বোল অমদা পিয়রে কালুলুনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু ২-২দা দ্রো চৎখি। এ সী মিলাননা মেটচ অদুগী পোইন্ট ১ ফংলগা পূন্না পোইন্ট ২৮ ফংদুনা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্টর মিলাননা নাপোলিবু ১-০দা থোইরগা এ সী মিলানবু কন্না তান্নরক্লি। লুকাকুনা ৭৩শুবা মিনটতা পেনাল্টিগী মতেংনা চনখিবা পাঞ্জলনা মায় পাকখি। ইন্টর পোইন্ট ২৭ ফংলগা ২শুবদা লৈরি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com